# হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Tuesday, March 02, 2021, Imphal

Page 11




য়ু এফ সী ফাইট নাইটকী বাউটকী হেভি ৱেটতা ৱর্ল্ড নম্বর ফোরদা লৈরিবা সুরিনামগী শান্নরোয় জেরজিনো রোজেন ষ্ট্রকপু রাউন্দ ৫দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ফ্রান্সকী ৱর্ল্ড নম্বর ৭ সিরিল গেননা কিন থিনখিবা

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অদুগা শগোলশেন নুমীৎতগী ইটলিদা পাঙথোক্কদবা রেষ্টলিং টুর্নামেন্টকী শেম শারিবা বজ্রং পুনিয়া



## জোকোবিচনা চয়োল ৩১০ ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী রেকোর্ড অদু ফেদররগা মান্নখ্রে



পেরিস, মার্চ ০১(এজেন্সী):

নুপাগী টেন্নিসতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী শান্নরোয় নোভাক জোকোবিচনা চয়োল ৩১০ ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী হান্না লৈরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররগী রেকোর্ড অদুগা ঙসি মান্নবা ঙমখ্রে।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা মশাগী করিয়রগী ১৮লকশুবা গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবা ঙম্লিবনি। হায়রিবা টাইটল ১৮গী মনুংদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপননা ৯লক ওইখি।

হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা রোজর ফেদররনা অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াবা ঙমদবনা অমদি ইন্টরনেসনল টেন্নিসকী ওইনা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্টশিং লৈতবনা মথংগী চয়োলদা নোভাক জোকোবিচনা মখা তানা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইদুনা চয়োল ৩১১ শুবগী রেকোর্ড অদু নৌনা থম্বা ঙমগদৌরি।

এসোসিএসন ওফ টেন্নিস প্রোফেসনেল (এ টি পি)না ঙসি খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকখিবা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা নোভাক জোকোবিচনা পোইন্ট ১২০৩০ ফংদুনা নম্বর ৱানদা লৈরি। স্পেনগী রাফেল নদালনা পোইন্ট ৯৮৫০ ফংলগা অনীশুবদা, অদুগা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেভনা পোইন্ট ৯৭৩৫ ফংলগা ৩শুবদা লৈরি।

## হোক্কী ঝরখন্দনা সব-জুনিয়র ৱিমেন নেসনল হোক্কী চেম্পিয়নশিপকী য়ূম্বু ওইরগনি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০১(এজেন্সী):

হোক্কী ঝরখন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১০দগী ১৮ ফাওবা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপকী য়ূম্বু ওইরগনি।

ঝরখন্দগী সিটি সিমদেগাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র ৱিমেন নেসনল হোক্কী চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূন্না ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটতগী লাকপা টিম ২১না শরুক য়াগদৌরি। মদুদা শান্নরোয় অমদি ওফিসলগা পূল্লগা মীওই ৩৫০না টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

ঝরখন্দগী সিটি সিমদেগাদা অসিগুম্বা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টকী য়ূম্বু ওইবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। হোক্কী ঝরখন্দগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ওইরিবা বিজয় শঙ্কর সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অদুদা হোক্কী ইন্দিয়ানা খূদোংচাবা পীদুনা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা ঙম্বগী তাঞ্জা অমা ফংবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি। হৌখিবা চহীদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মালেম শীনবা থুংনার শান্নবগী লম্ খূদিংমক অপনবা পীখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী ওইনসু টুর্নামেন্ট অমক্তা পাঙথোকখিদবা অদুগী মখা তারকপদা হোক্কীগী ওইনা সব-জুনিয়রগী থাক্তা ঝরখন্দগী সিমদেগাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা হোক্কীগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহানবা ওইরিবনি।

বিজয় শঙ্করনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হোক্কী ইন্দিয়ানা পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী কাঙলোনশিং অদুগী মথক্তা ইন্দিয়া মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স অমদি ঝরখন্দ লৈঙাক্কী ওইবা কাঙলোনশিং অদু শীজিন্নদুনা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংগী ওইবা হকশেলগী চেকশিন থৌরাংশিং পূম্নমক লৌখৎলে হায়রি। টুর্নামেন্ট অদুদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা তোঙানবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স অমসু শেমদুনা লৈরিবা এস ও পিশিং অদুবু ঙাক্না চৎননবা অমদি মপূং ফানা পাঙথোক্নবা হোৎনগনি হায়না বিজয়না মখা তাখি।

## মণিপুরগী ক্রিকেট টিম মেঘলায়াগী মখূৎতা রন ৮৩দা মায়থীবা নংখ্রে

চেন্নাই, মার্চ ০১(এজেন্সী):

চেন্নাইগী মুরুগপ্পাদা লৈবা টি আই সাইকলস গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা বিজয় হজারে ট্রোফি ২০২০-২১গী প্লেট গ্রুপকী ৫শুবা রাউন্দদা মণিপুরগী টিম মেঘলায়াগী মখূৎতা রন ৮৩দা মায়থীবা নংখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস মেঘলায়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০গী মনুংদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ৩০৩ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৮শুবা বেটসমেন অভে নেগিনা আউট ওইদনা শুপ্পগী বোল ৩০দা রন ৫৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ঙমখি।

টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসমেনশিংগী মরক্তা ফজবা ঙমখিবশিং অদুদি রন ৪৪ লৌরম্বা ওপনর রোহিট শাহ, রন ৪৩ লৌরম্বা ৪শুবা বেটসমেন লেরি সাংমা, রন ৪৫ লৌরম্বা ৫শুবা বেটসমেন রবি টেজা অমসুং রন ৪৬ লৌখিবা ৬শুবা বেটসমেন সঞ্জয় য়াদবনি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী বোলর সোমোরজিৎ সলাম, কিষন সিংঘ অমদি কে প্রিয়োজিৎনা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি। মেটচ অদু মায় পাক্লনবা মণিপুরগী মায়কৈদগী রন ৩০৪ লৌবগী টার্গেট অদু টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ৪৯শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা রন ২২০ লৌরগা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু মখোয় ৮৩দা মায়থীবা নংখিবনি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী ৪শুবা বেটসমেন লাংলোনয়াম্বা কৈশাংবমনা রন ৮৩ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অদুবু মহাক্কী স্কোর অদুনা টিম অদুবু মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিনবদি ঙমখিদে। মণিপুরগী মায়কৈদগী মায় পাক্লনবা রন ৩০৪ লৌনবা হোৎনরকপদা ওপনর ক্ষেত্রিময়ুম নারিসিং অমসুং নিটেশ সেদাইনা ইন্নিংস হৌদোরকখি। মখোয় অনীগী অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদু ওভর ৪দা রন ৩০ লৌরল্লগা লোইশিনখি। নিটেশ সেদাই বোল ১২ দা রন ১৭ লৌরল্লগা আউট ওইখি।

উলেনয়াই খ্বাইরাকপম শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না ওপনর নারিসিংনা মণিপুরগী অপূনবা স্কোর অদু ৭১ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। অদুবু নারিসিং রন ৩৬ লৌরল্লগা আউট ওইখি। জোন্সন শান্নবা চঙলকখি। মণিপুরগী অপূনবা স্কোর ১১৩ শুরকপদা জোন্সন রন ২১দা আউট ওইখি।

স্কোরবোর্দতা রন ১৭৬ শুরকপদা মণিপুরগী বেটসমেন ৬ আউট ওইদুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেল নকশিনবা ঙমখিদে। ৪৫শুবা ওভরদা ৭শুবা বেটসমেন কিষন সিংঘ আউট ওইরগা মণিপুরগী অপূনবা স্কোর ২০৫ লৈখি। অদুবু ৪৯শুবা ওভরদা মেঘলায়াগী বোলর সঞ্জয় য়াদবনা মণিপুরগী বেটসমেন ৩ আউট ওইহনবা ঙমখি।

মেহুল শ্রেথ, লাংলোনয়াম্বা ক্ষেত্রিময়ুম অমসুং সোমোরজিৎ সলাম হায়রিবা ওভর অদুদা আউট ওইখিবনি। মণিপুরগী অপূনবা স্কোর ২২০ য়ৌরকপদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা মেটচ অদু রন ৮৩দা মায়থীখি। মেঘলায়াগী বোলর সঞ্জয় য়াদবনা মণিপুরগী বেটসমেন ৪ আউট তাহনখি। লোয়ননা দিপু সাংমা অমসুং অকাশসু ৱিকেট ২/২ লৌখি।

## য়ুনাইট এফ সীনা ও এস এবু ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা অহানবা (লেট) থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইট এফ সী বিষ্ণুপুরনা ও এস এ ওইনামবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নবগী হৌরকপা ১০শুবা মিনটতা য়ুনাইট এফ সী বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৯ থৈমৈ শাজননা পাঞ্জল চন্দুনা ও এস এ ওইনামবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মখা তারকপা অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা পুংখায় হেনবা মতম অদুদা ও এস এ ওইনামগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা য়ুনাইট এফ সী বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ৬ এল দেনিনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ২-০দা মখা তানা মাঙজিল থাখি।

ও এস এ ওইনামগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল ২ অদু হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা য়ুনাইট এফ সী বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ২০ দাংমৈ জিনপুনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৩-০দা হেনখি। মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা ও এস এ ওইনামগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমফাওবা য়ানবা ঙমদনা মেটচ অদু মখোয় ০-৩দা মায়থীখি।

## ৱাই এস য়ু সীনা এফ সী কুম্বীবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অহানবা লেট ফিলেম ইরাবত মেমোরিয়ল সিনিয়র বি (সেকেন্দ দিভিজন) ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই এস য়ু সীনা এফ সী কুম্বীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ১৫শুবা মিনটতা ৱাই এস য়ু সীগী জর্সি নম্বর ৭ দব্লিয়ু জোননা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু এফ সী কুম্বীগী জর্সি নম্বর ১১ কে এস ঐচ সুনিলকুমারনা শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মতমদা অহেনবা পাঞ্জল লৈতবদগী লম্বা মান্নখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১ চঙশিল্লকপদা ৱাই এস য়ু সীগী জর্সি নম্বর ১৩ ৱাই শিতলজিৎনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা এফ সী কুম্বীবু ২-১দা মাঙজিল থাখি। মিনট ১০গী মনুংদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৮ এন ধনরাজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা এফ সী কুম্বীবু মখোয়না ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী ৬৭শুবা মিনটতা মাঙজৌননা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারবা ৱাই এস য়ু সীগী জর্সি নম্বর ৯ বিকাশনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা এফ সী কুম্বীবু মখোয়না ৪-১দা মেটচ অদু থোইবা ঙমখি।

হয়েং এন এ এস এ অমসুং এফ সী মোইরাং খুনৌ শান্নগনি।

## মণিপুরগী ফেন্সরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস):

চৎলিবা থা অসিগী ১৯দগী ২১ ফাওবা উত্তরখন্দগী উধমসিং নগর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রুদ্রপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩১শুবা সিনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী ফেন্সরশিং খনখ্রে।

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি প্রেসতা ফোঙদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুরদগী নুপা অমসুং নুপীগী ফোইল, ইপি অমসুং সেভরগী ওইনা পূন্না ফেন্সর ২৪ খনখি। অদুগা মখোয়শিং অসিবু ওফিসিএট তৌগদবা ওফিসল মরিসু লাউথোকখি।

নুপাগী ফোইলদা শরুক য়াগদৌরিবশিং অদুদি, এন টুফন (কে ঐচ এফ এ), দব্লিয়ু রোশন (ৱাই দি ও), টি ঐচ রাজেশ্বর (এম পি এস সী) অমসুং এল সঞ্জয় (ৱাই দি ও)নি।

নুপাগী ইপিদা খনখ্রবশিং অদুদি অর্বিন্দ কুমার (সাই আর সী), ব্রেন্দন কে (ইম্ফাল ৱেষ্ট), টি ঐচ সটিশ (কে ঐচ এফ এ) অমসুং ঐচ লেম্বা (এম পি এস সী)নি।

লোয়ননা নুপাচাগী সেভরদা খল্লবশিং অদুদি, টি ঐচ চাবি (এস এল এল সী), ৱাই দি ওগী ৱাই গিভসন অমসুং অজিৎকুমার, লোয়ননা কে ঐচ এফ এগী সটিশনি।

নুপীগী ফোইলদা সাই আর সীগী কুশবুরানী অমসুং পি ঐচ অনিতা, লোয়ননা কে ঐচ এফ এগী এল মোনা অমদি ৱাই দি ওগী দব্লিয়ু থোইবীনি।

নুপীগী ইপিদা এস কিরনবালা (সাই আর সী), এস চিঙ্খেঙানবী (কে ঐচ এফ এ), পি ঐচ বিজয়া (এস এল এল সী) অমসুং এন পিঙ্কি (এম আই আই এস)নি। অদুগা নুপীগী সেভরদা খল্লবশিং অদুদি এম আই আই এসকী এন নিশা অমসুং কে অবেসনানি। লোয়ননা এম পি এস সীগী টি ঐচ দাইনা অমসুং কে ঐচ এফ এগী টি ঐচ বেবিসনানি।

মণিপুর ফেন্সরশিং অসিবু ওফিসিএট তৌগদৌরিবা ওফিসরশিং অদুদি দব্লিয়ু ভোলেশ্বর, ঐচ সুরঞ্জয়, এম কুমার অমসুং এল প্রভাপতিনি। মণিপুরগী টিম অসি টুর্নামেন্ট অসি য়াওনবগীদমক্তা থা অসিগী ১৫দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## এস পি ৱাই সী অমসুং সেক্তা (এ) ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচএনএস):

চালৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোক্লকপা ১১শুবা লল্লাই কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা এস পি ৱাই সী সৈজাং অমসুং সেক্তা (এ) মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

এস পি ৱাই সী সৈজাং অমসুং এফ সী তখেল লম্বা তৌনবদা এস পি ৱাই সী সৈজাংনা ৩-১দা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু এফ সী তখেলগী মায়কৈদগী টি উদয়না ১৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুবু মখা তারকপা এস পি ৱাই সী সৈজাংগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংদুনা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ তোন্দোনবনা ২৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি।


শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চথুবা ঙমখিবা এস পি ৱাই সী সৈজাংগী জর্সি নম্বর ৭ এল বদলনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। লোয়ননা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা তোন্দোনবনা অহুমশুবা পাঞ্জল চল্লগা এফ সী তখেলবু ৩-১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সেক্তা (এ) অমসুং সেক্তা (বি) লম্বা তৌনখি। শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা সেক্তা (বি)গী মায়কৈদগী এল রোবিনসননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু মিনট ২গী মনুংদা সেক্তা (এ)গী জর্সি নম্বর ১৭ এন জোন্সননা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনীমক লম্বা মান্নখি। অদুবু সেক্তা (এ)গী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১০ এন হেনরিনা ৪১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা সেক্তা (বি)বু মখোয়না ২-১দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021

Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020



| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o.H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST


| Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. |

VAN AVAILABLE

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-17/3


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 43

CM Nastore, Pavel-Alexandru (2234) - GM Bellon Lopez, Juan Manuel (2327)

Titled Tuesday 2nd Feb chess.com INT (4), 2021.02.02

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nc3 g6 | 3.g3 Bg7 | 4.Bg2 Nc6 |
| 5.d3 e5 | 6.Nge2 Nge7 | 7.O-O d6 | 8.Nd5 Nxd5 |
| 9.exd5 Ne7 | 10.c4 O-O | 11.Nc3 a6 | 12.a4 f5 |
| 13.Qc2 f4 | 14.Be4 f3 | 15.Qd1 Bg4 | 16.a5 Qd7 |
| 17.Re1 Bh5 | 18.Kh1 Bg4 | 19.Bg5 h6 | 20.Bxe7 Qxe7 |
| 21.Qd2 Rf7 | 22.Nd1 Raf8 | 23.Ne3 Bh3 | 24.Rg1 h5 |
| 25.Bxg6 Bh6 | 26.Rge1 Qg5 | 27.Be4 Bg2+ | 28.Kg1 h4 |
| 29.g4 Qf4 | 30.Red1 Rg7 | 31.Bf5 h3 | 32.b4... |

QUESTION :

Black wins in 3 moves

Puzzle 42 Ans. :

**26.**h3 Nc3+ **27.**Rxc3 Bf3+ **28.**Ke1 Rd1#

**26.**..Nf6 **27.**hxg4+ Nxg4 **28.**f3 Nf6 **29.**e4+ Nxe4 **30.**fxe4+ Bxe4 **31.**Rcf1+


GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT
Notice No.CE/PHE/NB/2-452/2019
dated 27.02.2021

It is hereby notified that e-tender process for the following works has been initiated – **Manipur Water Supply Project :**
**a)**Providing Drinking Water Supply to other Towns (13 nos.), (works)Package: OTP P-VI (W) ; **b)** Providing Drinking Water Supply to other Towns (12 nos.), (works)Package: OTP P-VII (W) ; **c)**Providing Drinking Water Supply to Rural Area of Manipur Works Package: RWS P-VIII (W);**d)**Providing Drinking Water Supply to Rural Area of Manipur WorksPackage:RWS P-IX (W);**e)**Providing Drinking Water Supply to Rural Area of Manipur ,Works Package: RWS P-X (W) **f)** Providing Drinking Water Supply to Rural Area of Manipur Works Package: RWS P-XI (W)
The details can be obtained from the website http:/manipurtenders.gov.in

Sd/-
Chief Engineer,
PHED Govt. of Manipur

HL-B/6829/2



NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021

* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.

Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-B/6719/21/1-26/2



ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6777/10/2-16/3 (alt)